**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-06-2026)**

**ত্রাফিক (এল) ঃ** দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবগী মালেমগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক রাজ্য পুলিসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নোংচুপ থংবা কংলাগী হোজংদগী ইরোইশেম্বা ফাওবা কিলোমিটর ১০ গী লমজেল মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লমথাখ্রে।

লমজেল অসি কংলাগী নোংচুপ থংবা হোজংদগী হৌরগা ইরোইশেম্বা চীংজিন ফাওবা য়ৌরবা মতুং ফ্লাই ওভর ফাওরগা নোংচুপ থংবা কংলাগী হোজংদা লমথুংফম ওইগনি।

থৌরম অসিগী য়েংলগা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়রি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ওইরক্লিবা দ্রগকী সমস্যা অসি থেংনমীন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নদুনা মশা-মউ ফবা নিশা শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

অমরোমদা, রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শিনদুনা ঙসি অয়ুক ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিং ২০২৬ ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি। ৱার্ল্ড দ্রগ প্রোব্লেম-পরসিসটিং ইশুজ, ন্যু চেলেঞ্জেস, ইনোভেটিব রেস্পোন্সেস হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ, রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী কম্মিস্নার-রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম অমদি দাইরেক্তর-সৈখ অব্দুল হাকিম শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা ফয়েং অমসুং খারং কোইরেং-তাইরেনপোকপীগী মফম অমদা থিবা হুন্থবগী থবক চথুবদা খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এ.কে. রাইফল অহুম, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন মরি, নোংমৈ মরু ৩৭ অমসুং বাউফেং রেদিও ৱয়ারলেস হেন্দসেট অনি য়াওরি।

অমরোমদা, নম হাদুনা শেল খায়বা অমসুং আইননা য়াদবা থবক থৌরমদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবকসু মখা তানা চথুরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা ৱাংজিং শাবল লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফাখি। মখা তানা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ককচিং খুনৌ উমাথেল মথক লৈকাইদগী সোরেপাগী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক ককময়াই লমখাইগী মফম অমদগী এন.আর.এফ.এমগী মীওই অমা ফাখি। মঙোন্দগী নোংমৈ মরু য়াওবা মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা ফাগৎপা ঙমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ মখা লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো) গী কাদর রিক্রুইট তৌবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমসু ফাখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইয়ারপোর্ট পুলিস অমসুং সি.আই.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা মীওইশিং চেক তৌবদা পেসেঞ্জর অমগী লগেজতগী গঞ্জা গ্রাম ৪২০ ফাগৎপা ঙমখি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইবা হায়বসিনা লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা

খুদোংথিবা মায়োকবা মতমদা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা অদুম্মক মায় ওনশিনবা ঙমহল্লি।

রাস্ত্রপতি ভাবনদা ঙরাং ইং ২০২৩-২৪ গী বেটচকী ওইনা মিলিটরি ইঞ্জিনিয়ার সার্ভিসেস (এম.ই.এস) কী ওফিসার ত্রেনিশিং উন্নবদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাক খুদিংমক্কী য়ামা তঙাইফদবা ওইরি।

শ্রীমতি মুরুমুনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরদা লৈবাক অসিনা লমদম অসিদা শাজবা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং অমসুং মতমগা চুন্নরবা টেকোলোজি কয়াগী মতেংনা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বা কয়া ময়েক শেংনা উৎখিবা অসিনা লৈবাক অসি মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইবগী লম্বীদা চংশিল্লক্লি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। মখা তানা প্রোফেস্নেলিজম অমসুং ইন্টিগ্রীতি ঙাকা মথৌ তৌনবসু রাস্ত্রপতিনা নহা ওইরিবা ওফিসারশিংদা খঙহনখি।

**এলপিজিঃ** সরকারনা ইন্দষ্ট্রিয়েল অমসুং কম্মরসিএল এল.পি.জি. কঞ্জুমরশিংদা নন-দোমেষ্টিক পেকেজ এল.পি.জি. ফংহনবগা মরী লৈননা থল্লম্বা অথিংবা খুদিংমক লৌথোকখ্রে।

পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-নোংচুপ এসিয়াদা চরাংনবা ফিভম লৈবদগী  ওইরগা এল.পি.জি. সিলিন্দর মশিং য়ামা লৌবদা থল্লম্বা অথিংবা অদু খরমখৈ কোমথোক্লে। মসিনা কম্মরসিএল অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল কঞ্জুমরশিংগী ওইনা শাফরগনি। মখা তানা সরকারনা সি-থ্রি-সি-ফোর ষ্ট্রিমশিং এল.পি.জি. পুলদা খক্তা মায় ওনশিল্লম্বা অদুসু হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

নোংচুপ এসিয়াগী চরাংনবা ফিভম খম থেংনা মায়োকরিঙৈ চৈরক্তা সরকারনা ইসেন্সিএল কোমোদিটিজ এক্টকী মখাদা সি-থ্রি, সি-ফোর ষ্ট্রিম অসি এল.পি.জি. পুথোকবা খক্কীদমক শিজিন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি। মন্ত্রালয়না

ৱারোলদা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিদা এল.পি.জি. সিলিন্দরশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা ইন্দষ্ট্রিয়েল অমসুং কম্মরসিএল কঞ্জুমরশিংগী মরুওইবা দাটাশিং কুপা য়েংশিন্নবসু ওইল মার্কেটিং কম্পানিশিংদা সরকারনা খঙহনখ্রে।

**পাসপোর্ট ঃ** সরকারনা পাসপোর্ট লৌবগী এপ্লিকেসন ফিগী মমল হেনগৎখ্রে। মসিগী মতুং ইন্না পেজ ৩৬ ওইবা পাসপোর্ট নৌনা তান্থোকপা অমসুং রি-ইশু তৌবগী মমল লুপা লিশিং ২,৫০০ ওইরগনি।

পাসপোর্ট (এমেন্দমেন্ট) রুলস-২০২৬ অসি মথং থাগী অমদগী চৎনবা হৌরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থাদোরকপা নোটিফিকেসন অমদা হায়-অনৌবা ফি ষ্ট্রকচর অসিগী মতুং ইন্না তৎকালগী মখাদা অনৌবা পাসপোর্ট অমসুং পাসপোর্ট রি-ইশু তৌবদা লুপা লিশিং মঙা ওইরগনি। মখা তানা পেজ ৬০ ওইবা ওর্দিনারি পাসপোর্ট অমসুং মসিগী রি-ইশুগী ওইনা লিশিং ৩,৫০০ ওইগনি অমসুং মসি তৎকালগী মখাদনা লুপা লিশিং তরুক ওইগনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা পেজ ৩৬ ওইবা পাসপোর্টকী এপ্লিকেসন ফ্রি অসি লিশিং ১,৫০০ নি অদুগা পেজ ৬০ গী পাসপোর্টকী ওইনা লুপা লিশিং অনি ওইরি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-আইভোরি কোষ্টনা কুরাসাউবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা ইক্বেদোরনা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-নেদরলেন্সনা তুনিসিয়াবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অদুগা জপান অমসুং সুইদেন পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৫ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা

শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

৫১ শুবা কন্সটিট্যুসন মর্দর ডে থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা শরুক য়াদুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, কুকি জো কাউন্সিলনা নাগাগী মীওই তরুক ফাদুনা হাৎখিবগী মরাল য়াজখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপেস মনিপুরি এদিসনদা-তম্পাক্তা ইরাং লৈত্রে, মীতৈনা বিগ ব্লদরগী থৌদাং লৌরগা চীংগী ইরাং শন্তাইনবিয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ৫১ শুবা কন্সটিট্যুসন মর্দর ডেদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক, সনা লৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কচা নাগা তরুক ঐখোয়না ইমোসনদা হাৎখিবনি, অচৌবা অশোয়বনি হায়না কুকি জো কাউন্সিলগী চেয়ারমেন-হেনলিয়াম্থাংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জোজাংতেক্তা আই.ই.দি. ফুমবা হোৎনবদা পোকখায়রকপদগী

কে.এন.এফ. অনি শিরে, অহুমনা শোক্লে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইং ১৯৭৫ দা ইমর্জেন্সি থমখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অচৌবা পারা অমা ওইহৌরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর য়াওনা ষ্টেট ১৬ তা দিজিটেল এরেষ্ট স্কাম নেটৱার্ককী মথক্তা সি.বি.আইনা ওপরেসন চক্র সিক্স চত্থখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা বোক্স আইটেদম ওইনা ফোংংলি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন দুনা ঙরাং মেদিয়া ৱার্কশোপ পাঙথোকখিবা পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ভেনেজএলাগী য়ুহাদা শিখিবা মী ১৬৪ শুখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংংলি।

কুকি জো কাউন্সিলনা নাগাগী মীওই তরুক হাৎখিবগী মরাল মশানা য়াজখিবগী পাউ চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেলদাইন তৌরি। মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা নাগা ভিলেজ হেদমেন এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবুশিংগা উন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী ৱারী শান্নখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা চিং নিংখায়বনা মরম ওইরগা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎপা লৈরম্বা অদু মহৌশাগুম গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ হাংদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা এল.পি.জি. অমসুং পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল হন্থরগনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।